ঈ কৎপা, অফবা মহৈরোয়শিংং মনা য়েন্থোকপা অমদি লম-তু শেংদোকপনা মপূং ওইরগা ইরাবত দেগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হিজম ইরাবতকী ১২৪রকশুবা নীংশিং থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঈ কৎপা, অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপা অমসুং অমোৎ-অকায় শেংদোকপনা মপূং ওইরগা পাঙথোক্লখ্রে।

লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটরনা শীন্দুনা ঙরাং জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। লায়ন্স ক্লবকী তোঙান-তোঙানবা য়ুনিটশিংনসু মখোয়-মখোয়গী সেন্টরশিংদা ঈ কৎপগী থবক অদু পাঙথোকখি। শীজ হোস্পিটালদসু ঈ কৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। লায়ন্স ক্লবনা মখা তাবা থবক ওইনা ঙরাং নুপীলাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সসু শীৎ-শেংদোকখি।

ইরাবত দে থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা ঙরাং লোকল য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকাইনা এসোসিএসন অসিগী জুরিসদিক্সনদা লৈবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভ এগজামিনেসন ২০২০দা ফর্ষ্ট দিভিজন অমসুং মদুদগী হেন্না মার্ক ফংখিবা মহৈরোয়শিংদা শেল য়াওনা মমেন্টোগা লোয়ননা খূদোলপোৎশিং পীখি।

ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজকী নেসনল সর্ভিস স্কিম য়ুনিটনা ১২৪রকশুবা ইরাবত দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা কোলেজ অসিগী অকোয়বা অমসুং লাইরোন পুখ্রিগী অকোয়বা শীৎ-শেংদোকপগা লোয়ননা উ-ৱাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন ইম্ফালনা কৈরাও বিত্রা ইম্ফাল ইষ্টতা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা হৈ-লৈ অমদি মৈরা কৎতুনা অচম্বা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খুরাই পুথিবা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা সোসল রিফোর্মর ক্লবনা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্ভতা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অচম্বা খূদোলশিং পীদুনা মহৈরোয়শিং অদুবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইরাবত দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে।

অপূনবা ইরাবত রোদ কনবা লূপনসু লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৮০দা বির টিকেন্দ্রজিৎ ফ্লাই ওভর মনাক্তা লৈরিবা লম্বী অদু ইরাবত রোদ হায়না থোনখিবগী মরুওইবা অদু নীংশিংখি। থৌরম অদু অপূনবা ইরাবত রোদ কনবা লূপ, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর, কংলৈপাক কনবা লূপ অমদি ওল মণিপুর নুপী মরূপকী শিন্মী কয়ানসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

জিরিবামদা লৈবা জননেতা ইরাবত মেমোরিএল ট্রষ্টনসু ঙরাং লুচিংবা অসিগী ১২৪রকশুবা মপোক কুমওনগী থৌরম অদু অচম্বা মওংদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। অচম্বা থৌরম অদুদা মণিপুর ফূদ ইন্দষ্ট্রি কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে শরতকুমার, ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্ট ৱেলফ্যেরগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদু পাঙথোকপদা লুচিংবা অসিনা পায়খৎলম্বা অমদি মীয়ামদা থল্লম্বা ৱাখল্লোন অদু নৌহৌননা নীংশিংহনখি।

ৱাবগাইদা লৈবা এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভলপমেন্টনসু লুচিংবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৪রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱাবগাই জিলা পরিষদ জয়ন্তকুমার, সী এ আর দিগী প্রসিদেন্ট কিশোরজিৎ, ৱাই হেমচান্দ, এদিটর'স গিল্ডকী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, ইম্পেক্ট টি ভি ন্যুজ নেটৱর্ককী চীফ এদিটর ৱাই রুপচন্দ্র অমসুং আই জি এন টি য়ুগী পোলিটিকেল সাইন্সকী প্রোফ. ডা. হোমেন থাংজমনা রিছোর্স পর্সন ওইদুনা 'ঙসি ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অমসুং ইরাবত' হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

তোঙান-তোঙানবা ক্লব ১৪গী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা ওল তেন্থা কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনসু শীন্দুনা ঙরাং লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইরাবত দেগী থৌরম পাঙথোকখি।

ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী অসিগী ওগষ্ট ২৯দা হৌদোকখিবা 'ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট'গী মনুং চন্না ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন অমসুং ভর্চ্যুএল রন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোকপদা মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী কেপ্টেনসু ওইরম্লবা ইন্টরনেসনল প্লেয়র পোৎশংবম রেনেদিনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী আই জি পি রন্দিপ দট্ট অমসুং মহাক্কী লোয়নবীসু য়াওখি। লোয়ননা সেক্টর অসিগী দি আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) দি কে ত্রিপাথিসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা রেনেদিনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক শিনবা থুংনা মীপূম খূদিংমক মশা ফিট ওইনা লৈনবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াবু স্পোর্টিং নেসন অমা ওইনা শেম্নবগী পান্দমনি। মসিদা সী আর পি এফকী জৱানশিংনা মশা ফিট ওইদুনা চহী চুপ্পা লৈনবগী থৌনাসু পীখি। হকচাং ফিট ওইরবদি ৱাখলসু ফরগনি। মদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বগা লোয়ননা অফবা লৈবাক অমা শেম্বা ঙমগদৌরিবনি হায়না মখা তাখি।

আই জি পি রন্দিপ দট্টনা রেনেদিনা ফুটবোলগী লম্দা ফংলকখিবা মিংচৎ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা নহাশিংনসু মহাক্না হোৎনখিবা অমদি ফংলকখিবা মিংচৎশিং অদুগী মতৌ তমগদবনি হায়খি। সী আর পি এফকী মায়কৈদগী চহী খূদিংগী ওইনা সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা লাক্লি। টুর্নামেন্ট অসি মণিপুরদগী হৌখিবা সী আর পি এফ ওফিসর ওইরম্বা মনোরঞ্জননা মহাক্কী মথৌদাং তৌরিঙৈদা থৱায় থাখিবা অদুবু ইকাই খুম্নবা ওইনা পাঙথোকপনি। আই জি পি অদুনা মখা তারদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী নহাশিংবু মতেং পাংননবা থবক থৌরম পুম্নমক পায়খৎকনি হায়খি।

ঙসি ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রনগী মনুং চন্না থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা পোৎশংবম রেনেদিনা চীংমৈরোংদা লৈবা বট্টালিয়ন অসিগী হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৫গী ওইবা লমজেল অমা লমথাখি। লোয়ননা বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট বিনয় নেগিনা ফিট ওইনা লৈবগী কান্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ গেষ্টতা খূদোলসু পীখি।

বাবরি মজজিদ থুগায়বদা চেন্নবশিংং মরাল লৈহনখিদবসি অঙকপা পোকই : সী পি আই

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০১ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিদা বি জে পিনা অকনবা শাফু অমগা লোয়ননা লৈঙাক শক্তি পায়বা ঙম্লকখিবসি কুমজা ১৯৯২ দা উত্তর প্রদেশকী বাবরি মজজিদ থুগায়দুনা হিন্দুশিংগী অনৌবা রাম মন্দির অমা শানবা থৌরাংলুবদগীনি হায়বসি পোলিটিক্স নৈনরিবশিংনা শেংনা খঙনরবা ৱাফম্নি হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, বাবরি মজজিদ থুগায়খিবা থৌদোক অদুনা মুস্লিম কয়াগী পুন্সি মাঙহনখিবতা নত্তনা মশিং থিঙমদ্রবা কাঙলুপকী ইরাং থোরকপদগী হিন্দু কয়াগী পুন্সিসু মাঙহনখি। কুমজা ১৯৯২ গী গোদ্রা রাইওট মীয়াম্না কাউনদ্রি। আর এস এস, বিস্বা হিন্দু পরিষদ, ব্রজরঙ্গা দল অমসুং বি জে পিগী মশিং য়াম্লবা কায় সেভোকশিংনা খুদোংচাগদবা মফমশিংদা মরুওইবা খুৎলায়শিং মাঙজৌননা লোৎশিন্দুনা থম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৯২ গী দিসেম্বর ৬ তা বাবরি মজজিদ অদু থুগায়খিবনি হায়বসি মতম মতমগী ওইনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং এল্লাহবাদ হায়কোর্টতা চখুখিবা হীয়ারিংদগী মীয়াম্না খঙবা ঙম্নখ্রবনি। কুম পুরবা কেস ওইরক্লবা, শাক্ষি ওইখিবা কয়া শিবা য়াওনরকখিবা অমদি হকথেংননা চেন্নবশিং বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং ওইবদগী নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপগা লৈবাক্কী সেক্যুলরিজমদা চাওনা শিংনরিবা কেস মতম য়ৈথোক-য়ৈথোক্তুনা অথুবা ৱায়েল লোইশিনহন্নবা হোৎনখিদে।

হৌজিক্লা সী বি আইগী লক্ষ্নৌ স্পেসল কোর্টনা সেপ্তেম্বর ৩০ দা বাবরি মজজিদ থুগায়খিবদু মাঙজৌননা শেম শারগা থুগায়বা নত্তে হায়বা য়ুস্ফমদা বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া মরাল লৈত্রে হায়বগী ৱায়েল পীখিবসি সী পি আইনা অঙকপা পোকই। ৱাথোক অদুনা মশীং লাকঙমদ্রবা হিংশাগী থৌদোক কয়া শাগোন্নখিবতা নত্তনা মরাল লৈত্রবা হিন্দু অমসুং মুস্লিম মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখি। মশিং থিঙমদ্রব হিংশাগী থৌদোক কয়াসিনা লৈবাক্কী দেমোক্রেসি অমসুং সেক্যুলরিজমদা শোকহনখিবসি য়েংলগা মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা থৌদোক অসি লৈবাক্কী আইনশিং খোঙ্গোয়নবনি হায়খিবদু মীয়াম্না নীংশিংবা থোকই। সী পি আইনসু লৈবাক্কী আইনগী মায়োক্তনি হায়না লৌই।

মশীং য়াম্বগী শক্তি শীজিন্নদুনা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা জুদিসিয়রিদা খুৎ থিংজিল্লক্লিবসি খরা লৈরগদি উত্তর প্রদেশতা অচৌবা ৱাথোক ওইখিবা উন্নাও গেং রেপ কেসতা চেন্নবা এক্স এম এল এ সেনেগোল অমসুং হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৯ দা ষ্টেট অসিগী হাথ্রাস দিষ্ট্রিক্তকী চহী ১৯দা ঙাইরিবী দালিট নুপীমচা অমা তমথিনা গেং রেপ তৌরবা মতুংদা য়াংলেন শরু থুদেকপদা নত্তনা খুৎ-তাং থুগায়বা অমদি মরৈ ককথৎতুনা হুন্দোক্লমখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংসু মরাল লৈতবশিংনি হায়না থাদোকখিবা য়াবগী চিংনবা লৈ। অসিগুম্বা লৈবাক অমগী মরু ওইরবা য়ুন্বীশিংদা লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিল্লক্লিবসিগী মায়োক্তা সেক্যুলরিজম, দেমোক্রেসি অমসুং সংবিধান কনবা পাম্বশিংনা পুন্না থেংনমিন্ননবা সী পি আইনা অপিল তৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাজেনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ টিচর এসোসিএসন (কোটা)না হন্দক্তা এন বিরেননা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখ্রবা এস রাজেনবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কোটাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা এস রাজেন মমাংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা দল্লিয়ু নিপামচাগী মতমদসু মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন এন্দ এস সী ঈ আর টিগী থৌ পুরম্বনি। অদুগা হন্দক্তা এদ্যুকেসন, ফিশরিজ অমদি কাদাগী কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরকপা অসিদা কাউন্সিল ওফ টিচর এসোসিএসনগী মায়কৈদগী হরাওবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

রাজেনগী লুচিং মখাদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টমগী তোঙান-তোঙানবা অৱাৎপশিং অদু মেনখৎপা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থমখি। লোয়ননা ৭শুবা পে কম্মিসন ফংদনা লৈরিবা ওজাগী কম্যুনিটিশিং অসিনা নৌনা থৌ পুরবা এস রাজেনগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা অয়াবা পুরক্কবা হোৎনরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্লি হায়খি।

অসাম রাইফলসনা উ বিম পুরকপা ট্রক ৩ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১ (ঐচ এন এস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা অসাম রাইফলসকী ট্রুপ অমনা ঙরাং লোনা য়াদবা উ বিম পুরকপা ট্রক অহুম উখ্রুলগী চঙাই জঙ্কসনদগী ফারে।

ট্রক অহুম অদু উখ্রুলগী সিংহা খুন্দগী ইম্ফালদা লোনা য়াদবা উশিং অদু মরী লৈনবা চে-চাং য়াওদনা পুরম্বদগী ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা চঙাই জঙ্কসনদা মোবাইল চেক পোষ্টতা ফাবনি। উ বিম পুরকপা ট্রকশিং অদুদি (এম এন ০৭ সী- ৪১৪৫, এম এন ০৭ সী- ৪০২০ অমদি এম এন ০৪ সী- ২৪৯৪নি।

ট্রক অহুম অদুদা পুন্না উ বিম ৪৬ রোম এ আরনা ফারে। মখোয়না পুরক্লিবা পর্মিট অদুসু ভেলিদ ওইরে। গাড়ী থৌরকপা মীওই অহুম অদুদি অরুনজিৎ, মনাও অমসুং জেমস কৌই। অরুনজিৎ অমসুং মনাওনা ইম্ফালদগীনি। অদুগা জেমসনা তমেংলোংদগীনি।

উ বিমগা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদু লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা শংশক পুলিস ষ্টেসনদা ঙসি খুৎশিন্নখ্রে। মখোয়দগী ফাখিবা উ বিমশিং অদু পুন্না লুপা লাখ ১০ রোম ওইগনি হায়রি।

ꯑꯣꯟꯂꯥꯏꯟ ꯗ꯭ꯔꯥꯐꯇꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯗꯤꯇꯤꯡ

ONLINE DRAFTING & EDITING

- * NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

(HL-B/6353/4/9-2/10 (alt

IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

Ref :- Mut. Case No. 143/SDC/Bishnupur, 2020

Kongbrailatpam Rajeshwar Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal
-Petitioner

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 1st October, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 88 (Old)/58 (New) C.S. Dag No. 143 গী 2.135 acres চাওবা Phourel অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরনি।

HL-P/7648/02 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,Bishnupur

ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ / WANTED

SKILLED LABOUR & HELPER FOR TYRE RETREADING WORKS

Sl. No	Post	Vacancy	Experience	Salary
1	Skilled Labour	5	5 to 10 years	Monthly ₹.3,000/- & Per Day ₹.300/-
2	Helper	2	2 years	Negotiable

Contact:- **M/s SHITOVA TYRE RETREADER & SERVICE**
Authorised Franchisee of **Elgi Rubber Company Limited**
Takyel Industrial Estate B-6 Factory Building
Imphal West- 795001 Mobile No. 9402733209 HL/B/6424/1,2,3,4,5,6,7

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation Case No. 311 of 2020

Nameirakpam Ibocha Singh S/o (L) N. Thabaljao Singh of Oinam Mamang Leikai. *...Applicant.*

-Vs-

(L) Nameirakpam Thabaljao Singh S/o (L) Tolenjao Singh of Oinam.
...O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 1st October, 2020.

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩০-ওইনামগী পাট্টা নম্বর ৬৩৬ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১১২৯ এরিা একর ০.১৯৩৯০ চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হাদুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

***Sd/-* S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam.
HL-P/7650/2

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 341/SDC/IW (P) of 2020

Shri Naorem Somorjit Singh, S/o (L) N. Thambal Singh of Kwakeithel Laishram Leikai. *...Petitioner*

-Vrs-

Late Shri Naorem Kamal Singh, S/o. (L) Jhulon Singh of Kwakeithel Laishram Leikai. ...Deceased Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

01/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮১-তাওবুংখোকগী পাট্টা নম্বর ১৬৩ (অরিবা), ৩৩২ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৫৬৭গী পোইন্ট ০.৮৬৯৯৯ একর চাওবা ফৌরেল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১০/১০/২০২০ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Patsoi
HL-P/7649/2

IN THE COURT OF THE SUB - DEPUTY COLLECTOR; BISHNUPUR

Ref :- Mut. Case No. 142/SDC/Bishnupur, 2020

1. Kongbrailatpam Sunitikumar Sharma, S/o. (L) K. Jogeshwar Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal
2. -do- Jagadishchandra Sharma, S/o. -do- of -do-
3. -do- Rameshwar Sharma, S/o. -do- of -do-
4. -do- Sujata Devi, D/o. -do- of -do-
5. -do- Surjarani Devi, D/o. -do- of -do-
6. -do- Geetanjali Devi, D/o. -do- of -do-
7. -do- Bankim Ch Sharma, S/o. -do- of -do-
8. -do- Sarojkumar Sharma, S/o. -do- of -do-
9. -do- Nevedita Devi, D/o. -do- of -do-
10. -do- Suchitra Devi, D/o. -do- of -do-
11. -do- Subhalakshmi Devi, D/o. -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L), K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 1st October, 2020

Under Section 46(3) of MLR & LTR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Kongbrailatpam Jogeshwar Sharma, S/o. (L) K. Gourachand Sharma of Khwai Brahmapur Nagamapal গী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul গী Patta No. 58 (Old)/54 (New) C.S. Dag No.1271 গী 11.5600 acres চাওবা Phourel অসিগী Pattadar মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিসনরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরনি।

HL-P/7648/02 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অমাংথোং ময়াদা মফম অনী থোক্লা তৎপা, খোং য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোং হেক্তা হাম্নিংবা, খোং হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা মফম অনী থোক্লা তৎপা হুপ্লা য়াৎপগুম্না, খোং হাম্বা মতমদা তৎফম অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি খোং হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, তৎপা অদু মেদিসিনগী হিদাক চারবসু ওইশিল্লু য়াদবা, খোং য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোং হেক্তা হাম্নিংবা, খোং তোয়না হাম্মনদনা হকচাংদা য়াম্না চোকথ-ৱাম্থবা, অমাংথোংদা শারি শারি তৌরগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা অমাংথোংদা নাবনা মরম ওইদুনা, মোরা অমদি চৌক্রিদা ফম্বা তারগসু চেপ্পগা ফম্বা, মরক মরক্তা অমাংথোং মনুংদা চক চক থিল্লকপা, অমাংথোং ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, পুকচেপ নাবা, পুক চাউথোকপা, থুনগী শরূ অসি নাবা, খ্বাং নাবা, কমলাক মরি নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6380/02 *থাগৎচরিবা :* **Th. Romesh Meitei, Thangmeiband**

Z - TRADING INSTITUTE

STOCK MARKETING AS A CAREER

Learn trading (NSE/BSE) online during Covid-19 Pandemic and earn unlimited income for lifetime.

Be your own BOSS ... !!! Hurry ... Limited Seat only... !!!

For details pliz contact
7085822604, 8794740658

HL-P/7651/2

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকরবু থাগৎচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) না হাপ্তা মরি লায়েংবীরবা মতুংদা ঐগী য়েৎথংবা কিডনীদা 5.6mm চাউবা নুঙ অমা অদুগা ঈশিং মরীদা 5.5mm চাউবা নুঙ অমা পুন্না নুঙ অনী লৈরম্বদু ইয়াম্বা অসিনা তাহনবীখ্রে মসিগীদমক ইয়াম্ববু থাগৎচরি।

Sd/- ELANGBAM DARA SINGH
HL-P/7647/02 Oinam Sawombung Makha Leikai

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ নুংশংগী মতিক চাবা ওজা ABDUL HAQUE, কবিরাজনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা পোল্লগা লৈবা, খোং হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থরকপা, খোং হাম্বদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, থুপ্পা শাবা, অমাংথোং ময়াদা চেখায়বা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, নময়াং নাবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, পুক নাবা, থবাক নাবা অমদি খ্বাং নাবগী অৱাবশিংদু ওজা **Abdul Haque Phone No. :** 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Abdul Haque** পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

থাগৎচরিবা : **G. Hemanta Singh**
Nambol Bazar
HL-P/7520/02

ꯈꯪꯍꯟꯅꯤꯡꯉꯥꯏ / NOTIFICATION

Dated, 1st October, 2020

It is hereby informed to all the concerned that the election of two "Guardian Representative" and nomination of three "Local Educationist" will be held for formation of School Managing Committee (SMC) in respect of Arapti Jr. High School (Aided) as per schedule given below. All the interested persons are invited for the said membership of the SMC.

Last date of submission of nomination papers & date of Scrutiny : 8th October 2020 at 10 a.m.

Date of Election & nomination : 10th October 2020 at 10 a.m.

Venue : Arapti Jr. High School

Sd/- **S. Chandrajini Devi**
Head Mistress, Arapti Jr. High School,
Keirao A/C
HL-P/7646/2

MANIPUR UNIVERSITY CANCHIPUR : IMPHAL

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated, the 30th September, 2020

No. MU/3-61/81(Pt.IV)/347 : It is hereby notified for information of all concerned that the last date for submission of application form for admission to MA/MSc/MCom/MLISC/MCA (1st Semester) for the academic session 2020-21 has been extended upto 5:00 p.m. of 5th October 2020.

Sd/- **Prof. W. Chandbabu Singh**
Registrar
HL-B/6428/2

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4
HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.